ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕꯥ, ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯱꯱, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯸꯴ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, জন্যুৱারী ১১, ২০২১, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ২৮৪শুবা মশীং

# কোভিদ ভেক্সিনেসন দ্রাইভ

## কাপকদৌরিবা ভেক্সিনশিংগী মরমদা অকুপ্পা ৱারোলশিং খঙহনবা চঙই

দ্রগ কন্ট্রোল্লর জেনরেল ওফ ইন্দিয়ানা চহী অসিগী জন্যুৱারী ৩দা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন ২ রেষ্ট্রিক্সন খরগা লোয়নননা ইমর্জেন্সিগী ওইনা শীজিন্নবদা অয়াবা পীখ্রবা মতুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চ্যের লৌরগা ঙরাং পাঙথোকখিবা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমদা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিনেসন দ্রাইভ জন্যুৱারী ১৬তগী হৌননবা ফিরেপ লৌখ্রে। ফিরেপ অসিগী মতুংইন্না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন দ্রাইভ লাক্লিবা জন্যুৱারী ১৬তগী হৌরগনি হায়নসু ত্বিট তৌদুনা লাউথোকখ্রে। অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা জন্যুৱারী ১৬তগী কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন অসি হেল্থ ক্যের অমসুং ফ্রন্টলাইন ৱর্কর ক্রোর ৩ লোমদা হান্না কাপকদৌরি। মসিগী মতুংদা চহী ৫০দগী হেল্লবা মীওইশিং অমদি চহী ৫০গী মখাদা লৈবা তোঙান-তোঙানবা মখলগী অনাবা লৈবা মীওইশিংদা ভেক্সিন অসি কাপকনি। ভেক্সিন কাপ্পগী থবক অসি মায় পাক্লা চথনবগীদমক য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুরদসু কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসনগী দ্রাই রন মপুং ফানা পাঙথোকখ্রে। ভেক্সিনেসন দ্রাইভ চথবগী শেম-শাবা পুম্নমক লোইরে হায়নসু হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে। ভেক্সিন অসি ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি খরদনা সপ্লায়রগী খুত্থাংদা পীরগা অতোপ্পা খরদনা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা মেদিকেল ষ্টোর দিপোশিংদগী লৌহনগদৌরি। লৈঙাক্কী মেদিকেল ষ্টোর দিপোশিংদগী ভেক্সিন লৌহনগদবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা মণিপুরসু য়াওরি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেট্স (য়ু এস)গী মখাদা মথংদা মালেমদা কোভিদ-১৯গী কেস মশীং খ্বাইদগী য়াম্না থেংনবদা অনীশুবা লৈবাক ওইরিবা ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিনেসন দ্রাইভ জন্যুৱারী ১৬তগী হৌরগনি হায়না লাউথোরকপা অসিনা মীয়ামগী পূক্নিং ৱাখলদা নুংঙাইবা অমদি ফাওহল্লে। অদুমকপু ভেক্সিন অসি মীচম মীয়াম্নদি করম্বা মতমদা কাপ্পা ফংগদগে হায়বসি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। মণিপুরগী ওইনা অহানবা ফেজতা মীওই লিশিং ৪৫ রোম ভেক্সিন অসি কাপথোক্লনবা থৌরাং তৌরিবনি। ভেক্সিন অসি মণিপুরদা হেক য়ৌরকপগা ষ্টোর তৌদুনা থম্মনবা কোল্ড চেন পোইন্টসু শেম-শাদুনা থমখ্রে। ভেক্সিন অসি দিষ্ট্রিক্টশিংদা অমুক পুখিনবা দিপার্টমেন্টকী ওইনা লৈরিবা কোল্ড চেন ভেন ১২সু শেমজিন-শাজিনখ্রে। ভেক্সিনেসন দ্রাইভ অসিদা মথৌ পাঙথোক্কদৌরিবা ওফিসলশিংদসু মথৌ তাবা ট্রেনিংশিং পীবা লোইখ্রে। হৌখিবা জন্যুৱারী ২দা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসনগী দ্রাই রন পাঙথোকখ্রবা মতুংদা জন্যুৱারী ৮দা ৱাৎহৌরিবা দিষ্ট্রিক্ট ১৪গী মফম ৩১দসু দ্রাই রন পাঙথোকখিবনি। দ্রগ কন্ট্রোল্লর জেনরেল ওফ ই ন্দিয়া (দি সী জি আই)না রেষ্ট্রিক্সন খরগা লোয়নননা ইমর্জেন্সিগী ওইনা শীজিন্নবদা অয়াবা পীখ্রবা ভেক্সিন অনী অদুদি ওক্সফোর্দ- এস্ট্রাজেনেকানা পুথোক্লগা সেরম ইনষ্টিট্যুট ওফ ইন্দিয়ানা শাবা কোভিসিল্ড অমসুং ভারত বাইওটেকনা ইন্দিয়ন কাউন্সীল ওফ মেদিকেল রিসার্চ (আই সী এম আর)গা খুৎশম্নরগা পুথোকপা কোভেক্সিননি। কোভিদ ভেক্সিনেসন দ্রাইভ অসি মপুং ফানা চথননবা মীয়ামদসু মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা কাপকদৌরিবা ভেক্সিনশিং অসিগী মরমদা অকুপ্পা ৱারোলশিং ময়েক শেংনা খঙহনবা চঙই। লমদমসিদা লৈরিবা মীওইশিংগী মরক্তা ভেক্সিন অসি কাপচরোই হায়বসু য়াওরক্লি। মসিনা লায়না-লাইচৎ অসিবু মপুং ফানা লাকশিন্ননবা হোৎনবদা অপনবা ওইরকপসু য়াই। মীয়ামদা চিংনবা লৈহন্দনবা ভেক্সিনশিং অসিগী মতাংদা অকুপ্পা ৱারোলশিং মীয়াম খঙনা লাউথোকহন্নিংই।

## ◇◇◇◇◇◇◇◇◇ এডিটরদা থারকপা চিঠি ◇◇◇◇◇◇◇◇◇

### হায় কোর্টকী অনৌবা চহীসিগী খুদোল অমা

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী দিভিজন বেঞ্চনা অনৌবা চহী ২০২১-২০২২গী সেসন্দগী জেনিমসতা এম বি বি এস কোর্স তম্নবগী সিট মশীং অসি মতম কুইনা লৈরক্লবা সিট মশীং ১০০দগী অনৌবা সিট মশীং ৫০ অমগা হেনগৎহল্লগা পূন্না সিট মশীং ১৫০ শুহন্নবা অমসুং খুদক্তগী লৌখৎফম থোকপা থবকশিং চপ চানা লৌখৎনবা য়াথং অমা পীরকপসি মীয়াম ঐখোয়গী মমল য়াল্লবা অনৌবা চহীসিগী য়াইফ খুদোল অমনি। মণিপুরগী মশাগী ওইনা ডোক্টর মশীং য়াম্না ৱাৎলি হায়বসি অঙ্ক খোৎত্রবসু ইরায় লায়না ইখঙ খঙবা ৱানি। হীরম অসিগী মতাংদা হায়জরকপা, নৈনরকপা অমসুং হায়নরকপগী থবক অসি মতম কয়াদি হৌখ্রে। থবক ওইনা মতাং চানা পাঙথোকপদি ঙমদনা অসুম লাকখি।

থবক শুগনবা-নোমগনবা মীওইশিংদি মতমবু নিংথিনা উবা ঙমদুনা মশকসু নিংথিনা খঙবা ঙমই। অদুননি মতমবু নিংথিনা খঙবা ঙল্লবা চহী ৭০ রোম শুরবা হনুরবা মরুপ অমনা মণিপুরগী হায় কোর্ট দিভিজন অমদা এম বি বি এস সিট মশীং হেনগৎহন্নবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন অমা থৌনা লৈনা থাঙ্গৎখিবদুনা অদুগুম্বা মমল য়াল্লবা খুদোল অদু শেম্বদা মতেং পাংখিবনি। মতমগী খোঙজেল অসি য়াঙমনখিবদগী মীওইবনা তপ্না উবগী ৱানি। অদুনা মতমগা থবক্কা তূনা চৎহনবা ঙম্নবা হোৎনবা হায়বসি তঙাইফদ্রিবনি। লমদম অমগী সোসিও ইকোনোমিক্কী নৎত্রগা অমা অমগী ফীভমশিংবু ওইরগসু মওং তানা থুনা ফগৎহন্দুনা চাও-খৎহন্নবা হোৎনবদা লমদম অদুগী পোলিটিক্স অমসুং লৈঙাক্লা মতম অমসুং থবকপু নিংথিনা মশক খঙবীফম থোকই।

অরোইবদা, অনৌবা চহীনা লাকপসিদা মণিপুর লৈঙাক্লা মীয়ামগীদমক অনৌবা য়াইফরোল পীবিবদা নত্তনা অনৌ-অনৌবা য়াইফ-খুদোলশিং তমহন্নীংই। অসিগীসু মথক্তা হায়কোর্টকী অনৌবা খুদোল অসিসু সুপ্রিম কোর্টকী থাক্তা ফাওবদি য়ৌহনবীরগনু হায়দুনা লৈঙাক্কী মফমদা নোল্লুক্লা নীংশিংজরি।

*অদোমগী - ডা. এন জি মঙ্গি, সেগা লম্বী, ইম্ফাল ৱেষ্ট*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯

১) “কমদৌনা ওকচগদগে অনৌবা চহীবু/মংগারকপগী চোৎলবা ফিজোলসিদা/মৈরীনা কোয়শিল্লক্লিবা লমদমসিদা?” মণিপুরগী অফাওবা স্কোলর অমসুং কবি অমনা হায়রম্বনি। কবিদু কনানো, কদাইদা (য়াওফম) হায়রম্বনো?

২) মণিপুরগী শক্লাইরবা কবি অমগী সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ ফংখিবা লাইরিক অমদা য়াওবা শৈরেং মতেকনি পীরিবা অসি। কবি কনাগী করি লাইরিক্কী করম্বা শৈরেংদগী লৌথোরকপনো? - “নাপনগা লোয়ননা/থাজরুই ঐনা/পুন্সিবু থৌরি হায়না ঐনা/মথক্তা তোংদুনা শগোল থৌবগুম।/অদুবু থংনবা মীৎকুপ্তা/পুন্সিনা চোংশিল্লক্তুনা নম্মী ঐবু;/পুনত্রে তুই ঐহাক লৈমায়দা/হাইহৎতুনা,/পুন্সিনা থৌরকই তোংদুনা ইথক্তা/লোংনা তারিবা ঐগী।”

৩) “লুপথখ্রবা হিনাউ” হায়বসি করম্বা মখলগী কনানা ইবা লাইরিকনো অমসুং অহানবা ওইনা করি চহীদা ফোঙবগে?

৪) “সন্ধ্যা থাউমৈগী মৈরী’ হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবা করি লোলগী লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

৫) “চায়নরোল” হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মতমদা ইরম্বনি হায়না লৌনবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# লৌমীশিংগী কাখল

## আলু থাবগী কাঙলোন খরা

**ডো. এম থোইথোই সিংহ**

ঈশিং চঙনি হায়দুনা মমাঙঙৈদদি লমদমসিদা থাবা আলুশিং ঈশিং চাইনরমদে। নোংগী ঈশিং খরা ফংবদুনা লোইরে। ঈশিং তঙাইফদনা পীগদবনি খন্না ঈশিং পীনবসি কুইদ্রি। আলুগী করম্বা তাঙ্কক্তা ঈশিং খ্বাইদগী হেন্না দরকার ওই অমসুং ঈশিং কয়া য়াম্না পীগনি হায়বা ৱাফমসি য়াম্না মরু ওইবা অমনি।

মরা থেন্না চৎপা পান্থী অমা ওইবনা তোয়না ঈশিং পীবা দরকার ওই। মহৌশানা লৈঙোইনা নম্বা ফোলি তাবা লৈবাকশিংগী ওইনদি নুমিৎ ৮-১০নি কান্ননা ঈশিং পীরবসু লৈতান ওইরপ তৌবা মফমশিংগীদি থাখায়-থাখায়গী ওইনা ঈশিং পীবা য়াই। আলুদা পীগদবা ঈশিংগী চাংসি থাবদগী লোক্লবা ফাওবদা চঙবা মতম, অঈং-অশা, আলু মখল অমসুং লৈবাক লৈশা খেন্নবগী মতুংইন্না ঈশিং মিলিলিটর ৩৫০দগী ৫৫০ ফাওবা চঙই। শম্না হায়রবদা বর্গ মিটর অমা পাক চাউবা লমদা ঈশিং লিটর ৩৫দগী ৫৫ ফাওবা দরকার ওই। অমুক্তা ঈশিং কা হেন্না পীশিল্লবসু লৈবাক য়ৈশিল্লি, পোথোক হন্থে। ফৈদোম নাইনা, চুরি নাইনা শেমদুনা থারবসু ঈশিং থাজিনবা খুদিংদা ফৈদোম নৎত্রগা চুরিগী অৱাংবা শরুক তঙ্খাইদগী হেন্না ঈশিং চনবীরোইদবনি। উন তাগনি খনবা নুমিৎশিংগী নুমিদাংৱাইরমদা ঈশিং পানা পীবীবসু ফৈ। স্প্রিঙ্কলর ইরিগেসন তৌবা শেল য়াম্না চঙই, মীওই খরখক নত্তনা শীজিন্নবা থেংনদে। শেল চঙজরবসু স্প্রিঙ্কলর ইরিগেসন্না আলু ঈশিং পীবা কোমহল্লি। উন তাবা নুমিৎশিংদা পারপ কাপথোক্লগা উন থাদোকপা কোমহল্লি। তঙাইফদনা ঈশিং পীগদবা মতমশিংদি আলু মতোন চোংখৎপা, থাখ্রবা মতুং নুমিৎ ১০-১২, আলু তাবা হৌরকপা, থাখ্রবা মতুং নুমিৎ ৩০-৩৫ অমসুং আলুগী মচাও মরাক তাল্লকপা মতম হায়বদি থাখ্রবা মতুং নুমিৎ ৫৫-৬০ শুরকপা মতমসি ঈশিং শোয়দনা পীবিগনি।

**লৈবাক খোপচিনবা :** আলু লৈবাক খোপচিনবদা কান্নবা চপ চানা ফংনবা অকুত অরন চুম্না থাবা দরকার ওই। আলু পাল্লিবা মশাশিংবু (লৈবাক মনুংগী) মশীং য়াম্নবা, মসা-মরেং কায়না শন্দোক্লবা লৈবাক খোপচিনবা দরকার ওই। লৈবাক খোপচিন্দবা মফমশিংদা পানবা আলুশিংদি শংই (নুংশা মঙাল ফংবদগী), অশংবা কারবা আলুশিং চাউবা লেপ্পী, পিক্লা লৈ, আলু পাল্লিবা মশাশিং শাংদোক্তবা মরম্না আলু পান্থী মখোঙ মক্তদা অশংবা অপিকপা আলুশিং চগুংননা লৈ। পোথোক য়াম্না হন্থে। আলু মখোঙ খোপচিনবা হায়বসি আলু খুত্থাগী মখাসু পোল্লি। পংথা থাখিবা আলুগীদমক্তদি অনীরক খোপচিনবীগনি। থাখ্রবা মতুং নুমিৎ ৩০-৩৫ শুবদা অমসুং থাখ্রবা মতুং নুমিৎ ৫৫-৬০ শুরকপদা মখোঙ খোপচিনবীগনি। চুরি হাইগৎতুনা থাখিবা মফমশিংদদি থাখিবা মতুং নুমিৎ ১০-১৫ মুক শুরকপদা পারপ খোপচিনগনি অমসুং অনীশুবা ওইনা থাখ্রবা মতুং নুমিৎ ৩০-৩৫ শুবদা অমুক খোপচিনবীগনি। য়াম্না মরু ওইবা অমনা লৈবাক খোপচিনবা লোইরগা ঈশিং থাজিনবসিমদি শোয়দনা পাঙথোকপা ফৈ।

**আলু তাবা হৌবা :** নুমিৎ ২০-২৫নি শুরকপদা আলু পানগদবা লৈনুংগী মশাশিং পান্থীগী মখা থংবা মউদগী শন্দোরকই। নুমিৎ ৩০-৩৫ শুরকপদা লৈনুংদা মসাশিংগী মতোন্দা আলু শেম্বা হৌই। অঈং অশাগী চাংনা সেন্টিগ্রেট দিগ্রী ২০ লৈবা মতমদদি আলু তাবগী থবক তোকই। মরম অসিমক্লা শাগৎলকপা মতমদা আলু পান্থীশিং শুংজিন্দুনা লৈ, কান্নবা লৈরক্তে। থাফম থোকপা মতমদগী থেংথনা থাবদা অকায়বা লৈ।

**খাওবা :** অঙনবা মতমগী আলুশিং নুমিৎ ৮০নিদা মপূং ফাই, ময়ায় ওইরকপগীনা নুমিৎ ৯০দগী ১০০ ফাওবা ওইরবসু অথেংবগীনা নুমিৎ ১০০দগী ১২০ ফাওবদা মপূং ফাই। অদুমকপু মমল কাবা মতমদা য়োলহৌনবা নৎত্রগা আলুগী মথংদা অতোপ্পা পোৎলম অমা পুথোক্লবগীদমক ঙল্লপ খাওদোকপসু য়াওনৈ। মপূং ফাবাক্তনা খাওখিবা আলুশিং কুইনা থম্বা য়াদে। কুইনা থমগে খনবা ওইরগদি তঙাইফদনা মপূং ফারবা মতুংদা খাওবা তাই। লোয়ননা খাওগে খল্লবা আলু থাফমশিং ঈশিং ঈনিল য়াওবগী চাং ৱাংহল্লোইদবা মরম্না খাওগদবা নুমিৎ ১৫নি ৱাৎলিঙৈদা ঈশিং পীবিরোইদবনি। মসিনা আলুশিংগী মকু কনশিলহনবদা মতেং পাংই। য়ারিবমখৈ আলু তাল্লিঙৈদা আলুশিংবু খুৎলায়না য়াৎখায় খোৎকায়বা থোক্তনবা হোৎনবীগনি। খাওদোক্লবা আলুশিংবু অকনবা নুংশাদা ফৌদোক্লোইদবনি। উরুম ওইরপ তৌবা মফমদতা ফৌদোক্কনি। নুংশাদা ফৌদোকপদা আলুশিং অশংবা কারকপা য়াওই। পায়বদা মকু চেককায় খোৎকাইবা য়াওগনবনা লায়না তাশিন্নবা মরম ওইরকই। কুইনা থম্বা য়াদে, মাঙজবা য়াম্না লৈ।

**পোথোক :** অঙনবা মতমদগী অথেংবা আলুনা পোথোক হেল্লি। আলুগী পেথোক মফম অমগা মফম অমগা মান্নদে। ঈশিং নুংশিৎ, আলু মখল, শেম শাবগী মখা পোল্লবসু অঙনবা আলুনা পরিদা কিলো ২০০দগী ২৫০ ফাওবা লৈবদা অথেংবা আলুনা পরিদা ক্বিন্টল ৩০০দগী ৩৫০ ফাওবা লৈগল্লি। ●

## হৱাই পান্থী য়াওদনা নুংশিৎতগী নাইট্রোজেন ফাজিনবা ঙম্বা অমদি অতৈ কান্নরবা হিংকুপশিং

**- এস সুমঙ্গল -**

মমাঙঙৈদগী হৌনা অয়াম্বনা খঙনরবা ৱাফম অমদি অয়াম্বা হৱাই পান্থী মখলশিংনা রাই-জোবিয়ম কৌবা বেক্তিরিয়া মখল খরা হিংমিন্নদুনা হায়বদি হৱাই পান্থীগী মরাদা চঙশিন্দুনা নোদ্যুল কৌবা মতুম তাবা মকোন শাদুনা লৈরগা নুংশিৎতগী নাইট্রোজেন ফাজিন্দুনা হৱাই পান্থীদুবুসু বেক্তিরিয়া মশাগীসু কান্নবা লৌমিন্নদুনা হিংমিন্নবগী থৌওং অসিনি। হৱাই পান্থীনা শিরবা মতুংদা মরাদা ফাজিন্দুনা লৈহৌরবা নাইট্রোজেন অদুনা লৈবাক্তা লৈহৌদুনা মফমদুদা মথং থারক্কদবা পান্থীদা নাইট্রোজেন ফংহন্দুনা নাইট্রোজেন পীবা ঙম্বা য়ুরিয়া হারগী চাং হন্থহন্দুনা লৌমী ইচিন ইনাওশিংদা কান্নবা পীবতা নত্তনা অকোয়বগী ফীভমদসু অকায়বা পীবা হন্থহল্লিবনি। মরমশিং অসিদগী ক্রোপ রোটেসন তৌবদা, মরক্তা হৱাই অমা য়াওহনগদবনি হায়রিবনি। হায়রিবা হৱাইগা হিংমিন্নবা মখলগী বেক্তিরিয়াসি নত্তবা অতোপ্পা নাইতোম হিংজবা নুংশিৎতগী নাইট্রোজেন ফাজিনবা ঙম্বা হিংকুপ মখল খরগী মরমদসু খরা খঙজিনমিন্নবা য়াই। মখোয়সিদি লৈবাক্তা হাপ্পা মতমদা নাইট্রোজেন হেনগৎহন্দুনা হৱাই পান্থী নত্তবা অতোপ্পা পান্থী অতৈদসু কান্নবা পীবা ঙমহল্লি। মরু ওইনা এজোতোবেক্তর কৌবা অমগা এজোস্পিরিলম কৌবা অমগা অনী অসি কান্নবা পীবা হিংকুপ ওইরে। মখোয়না পীবা কান্নবা খরা য়েংসি।

**এজোতোবেক্তর অমসুং এজোস্পিরিলম :** ২০০২দা সুরিন্দর সিংহনা হায়রম্বা মতুংইন্না এজোতোবেক্তরগা এফ ৱাই এমগা হাপ্পগা লোয়নননা গ্রীন মেন্যুরিং তৌবা মতমদা ফৌগী চাথোক্তা চাংদম্নরিবদুদগী পরি অমদা কিলো ৩১০ হেনগৎপা থেংনখি। অসুম্না হাপ্পসিনা পরিদা নাইট্রোজেন কিলো ১০৬, ফোসফরস কিলো ১৪, পোটাশ কিলো ১৪০ হেন্না ফংবা ঙমখি হায়রি।

অতোপ্পা পাউদম অমদনা থোইদিং অমুবা থাবদা এজোস্পিরিলম তোৎহৌবনা নাইট্রোজেন ফংবগী/পান্থীনা চিংখৎপগী চাং হেনগৎপা ঙমহল্লি হায়রি। অসুম্না ১৯৯৮দা ঠাকুরগা শর্ম্মাগনা হায়রম্বদা কম্পোষ্ট শেম্বদা নুমিৎ ৩০দা অমুক, ৬০নিদা অমুক এজোতোরেক্তর হাপ্পনা এম্মোনিয়া, নাইট্রেট অমদি অপূনবা নাইট্রোজেন হেনগৎহনবদা মতেং পাংই হায়বসিনি।

অমুক্কসু ১৯৯১দা কালিওনোভানা ফৌগী লৌফমদা এজোস্পিরিলম হাপ্পনা হিংকুপকী বাইওমাস য়াম্না হেনগৎপা ঙম্মী হায়না পাউদমখি।

অসুম্না লৌউ সাইন্টিষ্ট কয়ানা হায়রম্বদা এজোতোবেক্তর মখল অমা হাপ্পনা পর্ল মিলেটকী চাথোক অসি পরিদা কিলো ৩০০ হেনগৎপা ঙমখি হায়রি। এজোস্পিরিলম লৌফমদা চাইবনা পান্থীগী লেমহৌখাকশিংনা পথুবা মতমদা নাইট্রোজেন নুংশিৎতগী ফাজিন্দুনা লৈবাক লৈহাওদা নাইট্রোজেন হেনগৎহনবা ঙম্মী হায়বগী পাউদমসু লৈ। অমরোমদনা খামেন অশিনবা থাবদা চারাগী মরা এজোতোবেক্তর মহিদা লুপ্পনা চাথোকসি টনলোমদা হেনগৎপা ঙমহল্লি হায়রি। গেহূ থাবদা ঈশিং ৱাৎলবা মতম ফাওবদা এজোস্পিরিলম হাপহৌবনা ঈশিং ৱাৎচরবসু চাথোক হেনগৎপা ঙমখি হায়রি।

**এজোলা :** অতোপ্পা অমনা এজোলা কৌবা কঙকুপ মখল অমগা অনাবেনা এজোলি হায়না খঙনবা ব্লু গ্রীন অলগি (স্যানোবেক্টিরিয়া) মখল অমগা পূন্না হিংমিন্নবগী তাঞ্জা অমা লৌনদুনা অনাবেনা হায়রিবসিনা নুংশিৎতগী নাইট্রোজেন ফাজিন্দুনা নাইত্রেত্তা ওন্থোক্তুনা এজোলাদা ফংহল্লি অদুগা অনাবেনানা এজোলাদা শাইদাংফম লৌদুনা হিংমিন্নে। হায়রিবা মরম অসিননি এজোলাবু বাইওফর্টিলাইজর মখল অমা ওইনা লৌনরিবসি। এজোলা পান্থীনা শিরবা মতুংদা নাইত্রেত্তা ওন্থোক্লবা নাইট্রোজেনবু অকোয়বদা থাদোক্তুনা পান্থীশিংনা ফংবা ঙম্মী। অসুম্না কান্নবরবা এজোলাবু গ্রীন মেন্যুর ওইনসু শীজিন্নবা য়ারে, কম্পোষ্ট ওইনা শেম্বদসু মতম ইচঙ চঙদনা কান্নবরবা কম্পোষ্ট কয়া অমা ফংবা য়ারে। মণিপুরগী ওইনদি এজোলা খোংবান লুক্লাং কয়াদা মরাং কায়না হৌবা মখলনি। কান্নবা লৌবা য়াই। লৌফমদা পুথদুনা হাপ্পবা কোম মচা মচা শেমদুনা থাবগী চৎনবী অমসু কন্না হৌদোক্লখ্রে। এজোলাগী মখলসি খরদি য়াম্মী। খরা হেন্না ফবা মখলসু লৈ। মণিপুরদা ফংলিবা মখল অসিসু অফবা অদুমক ওই। শা-ষণ, য়েন-ঙানুদা পীজবদসু কান্নবা কং মখলনি।

এজোলা শীজিন্নবদা কান্নবা ফংবগী খুদম খরা য়েংসি। এজোলা শীজিন্নবা ইন্টিগ্রেটেদ ন্যুত্রিএন্ট মেনেজমেন্টতা নাইট্রোজেনগী কান্নবা হেন্না ফংবগী পাউদম লৈ, এজোলা থাদুনা লৌ উবদা পরি অমদা নাইট্রোজেন কিলো ১৫০-২০০ হাপচিনবগী পাউদম লৈ। এজোলা হাপ্পনা হিংকুপশিংগী মথৌ হেনগৎহনগা লোয়ননা লৈবাক লৈহাওদা এঞ্জাইমশিংগী মথৌসু হেনগৎহল্লি। অতোপ্পা পাউদম অমনা এজোলানা লৌ পরি অমদা নাইট্রোজেন কিলো ২০-১৫০ ফাওবা প্রেক্টিকেল্লি হাপচিনবা ঙমহল্লি হায়রি।

**ফোসফরস তুমহনবা ঙম্বা হিংকুপশিং :** লৌ ইঙ্খোল কোয়বদা হাপ্লিবা ফোসফরসকী হারশিং অসি পান্থীনা খরা চাখ্রবসু খরদি লৈবাক লৈহাওনা ফাজিনখি। চহী নৎত্রগা পান্থী থাবা খুদিংগী হাপ্ন রিবা ফোসফরসকী হারশিংবু লৈবাক লৈহাওনা ফাজিন্দুনা পান্থীনা ফংবা ঙমদবদু পান্থীনা ফংবা ঙম্বা মওংদা ওন্থোক্তুনা পান্থীদা ফংহল্লিবা হিংকুপশিংবু ফোসফরস সোল্যুবিলাইজিং মাইক্রোওর্গানিজম হায়না খঙনৈ। মখোয়গী মরক্তা ভী এ এম (ভাম) ভাস্কুলার আর্বস্কুলর মাইকোরাইজা হায়না খঙনবা মাইকোরাজা মখল অমা লৈ। মখলসি লৈবাক্তা হাপ্তুনা পান্থীনা ফোসফরস ফংনবা শীজিন্নবা য়াই। মসিনা খূৎশেমগী ফোসফরসকী হার শীজিন্নবা হন্থহনবা য়াই। তোঙান তোঙানবা বেক্তিরিয়া মখল কয়া অমা হৌজিক্তি মশক খঙদোক্তুনা শীজিন্নবসু হৌরে।

**কান্নবা খরা য়েংসি :** মখল খরনা পরিদা ফোসফরস কিলো ৩০ হাপচিনবগা মান্ননা পান্থীদা ফংহনবা ঙম্মী। অতোপ্পা অমনা ভামগা লোয়ননা রাইজোবিয়ম লৈবাক্তা হাপ্পনা ফোসফরস অসি পরিদা কিলো ০-৬ লৈরম্বদগী কিলো ৪-৫ হেনগৎহনবা ঙম্মী হায়রি। অতোপ্পা পাউদম অমনা গ্লোমস ফেসিক্যুলেটম কৌবা ভাম মখল অমা হাপ্পনা হৱাই চানা পান্থীদা নাইট্রোজেন ফাজিনবা নোদ্যুল মশীং হেনগৎহন্দুনা নাইট্রোজেন হেন্না ফংদুনা চাথোক য়াম্না হেনগৎপা ঙমহল্লি হায়বসিনি।

মথক্তা থমজরিবশিং অসি লৌউ-শিংউদা হিংকুপশিংনা লৌরিবা চাউরবা থৌদাংশিংনি। হায়রিবশিংসি মহৌশানা লৈবাক লৈশাদা অদুমক লৈজরম্লবা হিংকুপশিং ঙাক্তনি। মখোয়বু মশক খঙদোকপগা লোয়ননা মখোয়না লৌরিবা থৌদাংশিং থিদোক্তুনা মখোয়গী কান্নবা লৌবা হায়বসি হৌজিক্কী ওইরক্লিবা লৌউ-শিংউবদা শিংনরক্লিবা ফীভমশিং, অকোয়বগী ফীভমদা কায়হল্লক্লিবশিং অসিনা মরম ওইরগা তুং কোয়বা লৌউ অমা ওইনবা ওর্গানিক ফার্মিংলোমদা চঙশিনবদা অচৌবা থৌদাং লৌহনবা হায়বসি য়াম্নমক তঙাইফদবা অমনি হায়না থমজনীংই। মখোয়বু মীরায়দুনা মখোয়শিং অসি লৈবাক লৈহাওদগী মাঙখিনবা মওংদা হান্না হান্নগুম অসুমক লৌউ কাঙলোনশিং হোংদোক্তনা চথবা তারগদি তুংগী মীরোলনা ঐখোয়বু শোয়দনা চৈহৌবা তাবনি। মখোয়গী লম্বী য়াৎপীরম্বা হায়বসি হৌজিক্কী মীরোলগী তঙাইফদবা থৌদাং ওইফম থোকই। ●

## লৌউ-শিংবদা বাইওফর্টিলাইজরগী মরু ওইবা

**ডো. ৱাইখোম জিতেন**

নোংম-নোংমগী লেপ্তুনা হেনগৎলক্লিবা মীশীংশিং অসি চাবা কোন্ননবা হোৎনবদা ঐখোয়না হেন্না চাথোক লৈবা পান্থী মখলশিং খূৎশেমগী হারনচিংবা কয়া অমা মতম শাংনা শীজিন্নরকপনা ঐখোয়গী লৈবাক লৈহাওগী অচৌবা খলদা চাউনা কায়হল্লি। খূৎশেমগী ওইবা তীলহাৎ হীদাক, কোকফাই হীদাক, নাপী হীদাক অমদি হার কা হেন্না শীজিন্নবনা লৌউ-শিংউবগী পোথোক হেনগৎহল্লবসু মীওইবদা কান্নবা পীবা ঙম্বা তীল, কাঙ অমদি অতোপ্পা হিংকুপশিংগী মশীং হন্থহন্দুনা লৌফম অদু লৈহাও লৈবা হন্থহল্লি। লোয়ননা পান্থীদা লায়না মখল কয়া নাহন্নবগী মরম ওইহল্লি।

হৌজিক্কী মতমদা অহেনবা পোৎথোক পুথোক্লবা অহেনবা খূৎশেমগী হার পুথোকপা তারকই। মসিনা ঐখোয়গী অকোয়বা অসি কা হেন্না মোৎশিলহন্দুনা মীওইবা অমদি অতোপ্পা জীবশিং হিংবদা খুদোংচাদবা মফম অমা ওইহল্লকই। মরম অসিনা খূৎশেমগী হারশিং অসিগী চাং হন্থহন্নবগীদমক অতোপ্পা নাপী মচিঞ্জাক পীবা য়াবা পোৎলমশিং শীজিন্নবা তঙাই ফরক্রে। অসুম্না পান্থীদা মচিঞ্জাক পীবা য়াবা পোৎলমশিংগী মনুংদা বাইওফর্টিলাইজর হায়বসিসু অমনি। বাইওফর্টিলাইজরশিংনা নুংশিৎতা মরাং কায়না য়াওরিবা নাইট্রোজেনবু ফাজিন্দুনা পান্থীশিংদা ফংহল্লি নৎত্রগা লৈবাক্তদি য়াওরগা পান্থীনা লৌখৎতুনা শীজিন্নবা ঙমদবা পান্থীগী মচিঞ্জাকশিং পান্থীনা শীজিন্নবা ঙম্বা মওংদা ওন্থোকই। শা-ঙা অমদি পান্থীশিংগী ফত্ত-হৌদিশিং খোঙজেল য়াঙনা পথু-পুমথহন্দুনা পান্থীদা মচিঞ্জাক পীবদা মতেং পাংই।

লৌউ-শিংউবদা বাইওফর্টিলাইজরনা লৌরিবা থৌদাং :- (১) বাইওফর্টিলাইজর শীজিন্নবনা খূৎশেমগী হার শীজিন্নবগী চাং হন্থহনবা ঙমই। নুংশিৎতা য়াওবা নাইট্রোজেন ফাজিন্দুনা পান্থীদা পীবা ঙম্বা বাইওফর্টিলাইজরশিংনা চাংচক্তা চহী অমদা লৌ পরি অমগী লৌফমদা কেজি ২০-২০০ ফাওবা পীবা ঙমই। অমরোমদা অমুক বাইওফর্টিলাইজর শীজিন্নবসিনা শীজিন্নদবা লৌফমদগী চাথোক চাদা ১৫-২৫ ফাওবগী চাংদা হেনগৎহল্লি। রাইজোবিয়ম য়াওবা বাইওফর্টিলাইজরনা নাইট্রোজেন ৪০-৮০, ব্লু গ্রীন অলগিনা ২০-৪০ লৌ পরি অমগী লৌফমদা চহী অমদা পীবা ঙমই।

(২) বাইওফর্টিলাইজর মখল খরা খুদম ওইনা রাইজোবিয়ম, ব্লু গ্রীন অলগি, এজোতোবেক্তর মখলশিংনা পান্থীশিংবু থুনা চাওখৎপদা মতেং পাংবা পোৎলমশিং খুদম ওইনা ভিটামিন বি কমপ্লেক্স, ইন্দোল এসিটিক এসিদ, জিবিরলিক এসিদনচিংবশিং পুথোকপদা মতেং পাংই।

(৩) বাইওফর্টিলাইজর তোৎলবা মরূশিংনা মতোন থুনা থোকপদা মতেং পাংই।

(৪) বাইওফর্টিলাইজর শীজিন্নবনা পান্থীগী পোৎথোক হেনগৎহনবতা নত্তনা পুথোক্লিবা পোৎলমশিংগী মগুন হেনগৎহল্লি।

(৫) বাইওফর্টিলাইজর শীজিন্নবনা ঐখোয়না শীজিন্নরিবা অতোপ্পা পান্থীগী মচিঞ্জাকশিং হেন্না কান্নবা মওংদা ওন্থোকপদা মতেং পাংই।

(৬) বাইওফর্টিলাইজর শীজিন্নবনা পান্থীশিংগী মরূ-মরা হেন্না ফগৎহল্লি।

(৭) বাইওফর্টিলাইজর শীজিন্নবা পান্থীশিংনা নোংজু নুংশা অমদি তীল-কাংনা পীবা চৈথেংগী চাং হন্থহল্লি।

(৮) বাইওফর্টিলাইজর শীজিন্নবা লৌফম্না লৈবাক লৈশা মতম শাংনা ফাদুনা থম্বদা মতেং পাংই।

(৯) বাইওফর্টিলাইজর শীজিন্নবনা থারিবা পান্থীশিং অদুতা নত্তনা মতুং তারকপদা থাবা পান্থীশিংগীসু মচিঞ্জাক পী।

তোঙান-তোঙানবা বাইওফর্টিলাইজর মখলশিং :- নুংশিত্তা য়াওবা নাইট্রোজেনবু ফাজিন্দুনা পান্থীদা পীবা ঙম্বা বাইওফর্টিলাইজরশিংদি (ক) Rhizobium (খ) Azotobacter (গ) Azospirillicum (ঘ) Blue green algae (ঙ) Azolla নি।

লৈবাক্তা য়াওজরবসু পান্থীনা শীজিন্নবা ঙমদবা ফোসফরসপু তুমহন্দুনা পান্থীদা ফংহনবা ঙম্বা জীবশিং খুদম ওইনা Bacillus megaterium; B-circulars; B-subtilis; Pseudomonas striata, Trichoderma নচিংবা পনবা য়াই।

Vesicular arbuscular mycorrhizaes (VAM) : হিংকুপ মখল অসিনা পান্থীশিংবু থুনা চাওখৎহনবদা মতেং পাংই। পান্থীশিংনা দরকার লৈবা মচিঞ্জাকশিং পীবতা নত্তনা লায়না কয়াদগী ঙাকথোকপদা মতেং পাংই। অসিগুম্বা মখলগী বাইওফর্টিলাইজরশিং অসিদা শীজিন্নবা য়াবা হিংকুপশিংগী মনুংদা Endogone, Glomus Sclerocystis, Acantosporaceae নচিংবা পনবা য়াই।

Plant growth Promoting Rhizobacteria (PGPR) : পান্থীগী মরাগী অকোয়বদা লৈবা জীব মখল খরনা পান্থীশিংবু চাওখৎপদা মতেং পাংই। অসিগুম্বা জীব মখলশিং অসিগী মনুংদা Arthobactor, Azotobactor, Pseudomonos Bacillus নচিংবা পনবা য়াই।

তোঙান তোঙানবা জীব মখল খরদি Sulpher, Potash অমসুং Zinc নচিংবা পান্থীশিংদা ফংহনবদা মতেং পাংই।

অসুম্না তোঙান তোঙানবা হিংকুপ মখলশিং শীজিন্নদুনা পান্থীনা দরকার লৈবা মচিঞ্জাকশিং ফংহন্দুনা খূৎশেমগী হার শীজিন্নবগী চাং হন্থহন্দুনা লিশাং শীৎনা লৌউ-শিংউ তৌবা য়াবা মফম অমা ওইহনবগা লোয়ননা হু চেনবগী চাং হন্থবা চিঞ্জাক পুথোক্লবগীদমক পূন্না হোৎনমিন্নবগী মতম য়ৌরে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।